দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন এন্দ মোনিটরিং কম্মিটি ৱেষ্টনা স্কুল ১৭৫ দা চ্যেক খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ইকো ক্লব স্কুল ১৭৫ দা দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন এন্দ মোনিটরিং কম্মিটি ৱেষ্টকী মায়কৈদগী চ্যেকশিং খূৎশিন্নখ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দনা স্পোন্সর তৌদুনা খুয়াথোং দা লৈবা ইম্ফাল জোনেল ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দ ইম্ফাল ৱেষ্টকী সাইন্টিষ্ট সি কেঐচ তোম্বা, জেদ ই ও, জোন ১ গী খুমুকচম সুচিন্দ্রা, দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন এন্দ মোনিটরিং কম্মিটি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ডা. হেমানন্দ য়াওনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা ওজাশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দ ৱেষ্টকী সাইন্টিষ্ট কেঐচ তোম্বনা হায়খিবদা অকোয়বগী ফিভম কায়থরকপা লোয়ননা উমঙ ৱামং মাঙহল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা মহৌশাগী খল কায়রকপনা মরম ওইরগা ঐখোয়দা খূদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্লরে। কা হেন্না শাবা, নোং চুদবা লোয়ননা নুংশিৎতা হকচাং শোকনিংঙাই ওইবা পোৎলম কয়া য়াওশিল্লকপা ঐখোয়না থেঙনরি। অকোয়বগী ফিভম মাঙশিল্লকপা অসি কন্ননবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা ষ্টেট গভর্নমেন্ট গা খূৎশম্নরগা দিষ্ট্রিক্ট পুম্বদা ইকো-ক্লব স্কুল শেম্বা লোয়ননা ক্লবশিং অসিগী মথৌ ফগৎনবা পান্দমদা শেলগী ওইবা মতেং পীরি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনসু ইকো ক্লবনা স্কুল ১৭৫ দা ঙসি লুপা লীশিং মঙা মঙাগী চ্যেক ঙসি স্কুল ওথোরিটিশিংদা খূৎশিন্নখি।

শেনফম অসিনা স্কুলগী মহৈরোইশিংদা উ থাননবা লোয়ন অকোয়বগী ফিবম ঙাকনা থম্নবদ মখোয়গী ওইবা থৌদাং লৌহন্নব পান্দম থল্লি। মহৈরোই অমদা উ চারা অমমম থাহন্দুনা লোয়নন উশিং অদুনা মপুং মরৈ ফাবা ফাওব য়েংশিলহনগনি। মণিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দকী মায়কৈদগীসু ইকো ক্লবশিং অসিদা মতেং পাঙনব অখন্নবা ইনভাইরোনমেন্ট মোনিটরিং ভেন অমা থমজরে লোয়ননা উ চারাশিংসু ফঙহনগনি হায়না কেঐচ তোম্বনা ফোঙদোকখি।

এৱারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সি পি সি আর) অমদি দি পিছ এন্দ হ্যুমেনিটি লেভর য়ুথ ওর্গনাইজেসন (ফিলয়ো) অনীনা খূৎশম্নদুনা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদা লৈবা ফিলয়োগী কম্ম্যুনিটি হোলদা নোংমগী ওইবা চাইল্ড রাইটস এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন সুমতিবালা নিংথৌজম, সোসিয়েল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর বন্টি সিংহ কোন্থৌজম, ফিলয়ো ক্লবকী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম সরঙ্গজিৎ সিংহ অমদি চাইল্ড ৱেলফিয়ার কম্মিটি (সি দব্লিউ সি) ইম্ফাল ৱেষ্টকী চেয়ারপার্সন ডা. থিয়াম রাজকেশ্বর সিংহনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা প্রোটেক্সন ওফ চিলড্রেন ফোর সেক্সুয়েল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্ট, ২০১২ অমদি জুভেনাইল জষ্টিশ (কেয়র এন্দ প্রোটেক্সন) এক্ট ২০১৫ গী মতাংদা ৱাং ঙাংলদুনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ওণ সি পি সি আর গী চেয়ারপার্সন সুমতিবলানা হায়, এম সি পি সি আর না লমদম অসিদা শিনবা থুংনা চাইল্ড রাইটসকী এৱারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি হিজম দেৱান লৈকাইদা পাঙথোকখিবনি। মখা তানা লমদম অসি শীনবা থুংনা থৌরম অসি পাঙথোকখিগনি।

অঙাং হায়বা অসি তুংগী য়ুম্বীনি। মখোয়বু লুনা চান্না তৌবীগদবনি। অঙাংদা চংখবা মখল খূদিংমক্কী মীওৎ মীনৈ থেঙনরবদি এম সি পি সি আর, পুলিস অমদি মরী লৈনবশিংদা শুকশোই শোয়দনা পাউ পীবিয়ু। লোয়ননা পীক্লিবা অঙাংশিংবু লৈবাক্কী ইহৌশিংদা শীজিন্নবীদনবসু মহাক্না আপিল তৌখি।

ꯇꯦꯁꯇꯃꯣꯅꯤ DUTTA ꯇꯦꯁꯇꯃꯣꯅꯤ

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক অর্সিনাসক পাইলস কেপসূল দত্তা ক্লিনিকতগী ফংবিগনি

অঙৌবা পকপা

অঙৌবা পকপশিংবু থুনা ফহনবা ঙম্বা ইঞ্জেক্সন থুংলরে। হৌজিক্কী অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱারুবগী দরকার ওইদ্রে। ইঞ্জেক্সন অসি শীজিন্নবনা পুং ২৪ গী মনুংদা অঙৌবা পক্লিবা মফম অদুগী মচু হোংলক্কনি। লোয়ননা পুংফ ফহনবা ঙম্মী। লোয়ননা মায়হিং, স্কিন অজমা, উরিং, মায় চাফৎপা মখল খুদিংগী স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

নুপাগী সেক্সকী সমস্যা (মেল সেক্সুএল প্রোব্লেম)

নুপাগী ফম্বী থুনা থোক্কনবা, ফম্বী পাবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্ববা, নুমিদাংদা ফম্বী চৎপা, খোঙ হাম্বা অমসুং মপান থোকপদা ফম্বী লোয়নরকপা, ফীনুংগী হকচাংদা হাক্কচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অসিনচিংবশিং অসি অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিংনা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্রে।

নুপীগী সেক্সকী সমস্যা (ফিমেল সেক্সুএল প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিষ্টো চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদ্রবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাংনা চৎপা, মনম নমথিবা হকচাং মনুংদা হাক্কচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অমদি অতৈ লায়নাশিং অসি অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্রে।

দাইবেটিসকী লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙম্রে

দাইবেটিসকী লায়না লৈরবদি ব্রেট চাং হম্বরক্কনি অদুগা সেক্সকী মপাঙ্গলসু শোম্বরক্কনি অদুনা অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিং অসি শীজিন্নরবদি মতম খরগী মতুংদা দাইবেটিস্কী চাংসু নোমা নোংমগী হম্বরক্কনি অদুগা সেক্সকী মপাঙ্গলসু নোমা নোংমগী হেনগৎলক্কনি অদুনা অথুবা মতমদা তান্নবীয়ু।

ৱেষ্টকী প্রোব্লেম

অয়ুরবেদিক্কী মেদিসিন্না অদোমগী অপীকপা অমসুং চোম্ববা মখলগী ব্রেষ্টপু হেক য়েংবদা ফজবা, পূক্নীং চীংশিন্নিংঙাই ওইবা অমসুং মপুং মরৈ ফানা থম্নবগীদমক ঙসিমক লাক্কুনা ব্রেষ্ট ওইন্টমেন্ট অমদি হীদাক শীজিন্নবীয়ু।

নুংশং

ঈ তাবা, চাফৎপা পোম্বা, হাক্কচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখল অসি ওপরেসন তৌদনা হীদাক শীজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্রে। নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা কান্নবা খঙবা ঙমগনি।

শমগী প্রোব্লেম

শম কেনবা, কোক তাঙবা, পোক হৌবা, শমজাবী অসিনচিংবা লায়নাশিংদা কোক্তা তৈনবা থাউ অদুগী অতোপ্পা হীদাক খরগা শীজিন্নরবদি শম কেনবা হম্বরক্কনি অনৌবা শম হৌগৎলক্কনি অমসুং পোক্কী মচু ওল্লক্কনি।

গ্যাষ্ট্রিকী প্রোব্লেম (পূক্কী লায়না)

পূক নুংশিং কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, অসিনবা কাখৎপা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, পুক থীনবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা অসি অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিং অসিনা লায়না ফহনবা ঙম্রে।

নাকোংগী প্রোব্লেম (না তাদবা)

না তাবা ৱাংপা, নাকোংদা ঙংনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা, নাকোংদা তাবগী চাং ৱাংলকপা অমদি অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্রে। অমুক্তং লাক্লুগা তান্নবীয়ু।

তাং চিকপা অমসুং খ্বাঙ নাবা

তাং চিকপা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ খৎ শিথবা, মশল নাবা, খৎ হাইগৎপা ঙমদবা অজমা, লোক খুবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক রাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিদুনা কন্টেক তৌবীয়ু।

য়ু করম্না থাদোক্কনি

অফবা মখলগী অয়ুরবেদিক্কী হীদাক শীজিন্নদুনা য়ুদগী লাপথোকহনবা ঙম্মী। নুংঙাইবা পুন্সি মরেলনা ওইহনবা ঙম্মী। থুনমক তান্নবীয়ু।

SL/Package

Please Contact
DR. (VAID) A.K. DAS

DUTTA CLINIC (REGD. NO. 55503) AYURVEDIC & UNANI MEDICINE
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road, Khoyathong, Imphal

মোবাইল বেঙ্কিংগী খূথাংদা থাবা শেল মফম খঙদনা মাঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ য়ুকো বেঙ্ককী কষ্টমর অমা মোবাইল বেঙ্কিংগী খূথাংদা শেল থাবদা শেল অদু থারিবা রিসিপেন্ট অদুনা ফঙবগী মহুত্তা মফম খঙদনা মাঙখ্রে হায়রি।

কষ্টমর অদুগী মমিংনা সলাম বিজেন কৌই, নারাসেনা অৱাং লৈকাইদগীনি। মহাক য়ুকো বেঙ্ক ফুবালা ব্রাঞ্চকী কষ্টমরনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা উরিপোক পোলেম লৈকাইদা পাউমীশিংগা উন্নব অমদা সলাম বিজেননা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না হৌখিবা ওগষ্ট ২৪ দা মোবাইল বেঙ্কিংগী খূথাংদা লুপা লীশিং ৫০ মমান্নবা অমদা থাখি। অদুবু মহাক্না থাখিবা শেল অদু ফঙদে হায়রকপদগী মহাক্না শেল থাখিবগী ষ্টেমেন্ট স্ক্রিনসোর্ট লৌদুনা মহাক্কী ব্রাঞ্চ ওফিস ওইরিবা য়ুকো বেঙ্কতা কমপ্লেইন তৌখি। লোয়ননা য়ুকো বেঙ্ককী হেদ ওফিসতসু কমপ্লেইন তৌখ্রে হায়রি।

অদুবু লাইবক থিবদি মহাক্না থাখিবা শেল অদু নুমিৎ ১৫ ফারবা ফাওবদা হৌজিক ফাওবা রিটর্ন তৌরক্ত্রে হায়রি। মরম অদুনা থৌদোক অসিগী দাইত্ব বেঙ্কনা চপ চনা লৌবীদুনা মহাক্কী মফম খঙদনা মাঙখ্রবা শেল অমুক রিটর্ন তৌবীরক্নবা আপিল তৌরক্লি।

লালহৌবা অনী ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(এস এন এস)ঃ চৎলিবা থা অসিগী ৯গী পুং ৪ রোম তাবা অদুৱাইদা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দো টিম অমনা ৬শুবা আসাম রাইফলসকী টিম অমা পুল্লগা মালোম এরিয়াদা থিবা হুম্বা চংখবদা লোনা থিংখ্রবা কে ৱাই কে এলগী নুপী কেদর অমা মালোমগী ওইল দিপো মনাক্তগী ফারে। ফারবা নুপী অদুগী মমিং লাইশ্রম নিংঙোল ওইনাম ওংবী ইন্দিরা, চহি ৩৩ মপুরোইবা টিকেন কৌই, উপোকপি খুনৌদগীনি। মহাক্কী মথক্তা নম্বোল পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎলে হায়না পুলিসকী চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, ঙৱাং নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা মোরে পুলিস কম্মান্দো অমদি ৪৩ আসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিমনা লোনা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে সি পি (নোয়োন) গ্রুপকী শেল্ফ ষ্টাইল সেকেন্দ লেফটেনেন্ট অমা মোরেদগী ফারে হায়রি। ফারবা মীওই অদুগী মমিং নাওরেম অমর্জিৎ এলাইজ চান্দ অপোকপা এন মনিহার কৌই, সুগ্নু মখা লৈকাইদগীনি। মহাকপু ৱাহং পাউহং তৌবদা মহাক কুমজা ২০১৪দা পার্টি অসিদা জোইন্ট তৌবগা লোয়ননা হৌজিক পার্টি অসিগী লেফটেনেন্ট লাঙন্বগী কম্মান্দ মখাদা থবক তৌবনি হায়বা খঙবা ঙম্রে। মহাক্কী মথক্তা মোরে পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎলে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা হায়রি।

STATE LEVEL PAINTING COMPETITION
ON 10th WORLD BAMBOO DAY
CELEBRATION 2019

THEME : BAMBOO FOR SUSTAINABLE DEVELOPMENT
VENUE : SINGJAMEI COMMUNITY HALL,
IMPHAL, MANIPUR
AT : 10.00 A.M.
CATEGORY : GROUP-A (Class I-IV)
GROUP-B (Class V-VIII)
ENTRY FEE : Rs. 100/- Last date of form submission : 17/09/2019
Organised by :
BAMBOO FORUM OF INDIA
WORLD BAMBOO DAY CELEBRATION COMMITEE 2019
SINGJAMEI COMMUNITY HALL,
IMPHAL, MANIPUR
S/L 5300/10&12

Crossword # 277



Across
1. Rabbitlike animals
6. Asian language
10. Blemish
14. Martini garnish
15. Drought's lack
16. Use a paper towel
17. Lasso user
18. Aggravates
20. That lady
21. Mountain passes
23. Lodger
24. Merited
26. Locks
28. Bridge position
30. Japanese warrior
35. Astronomer Carl ____
38. Bun
40. Convent dwellers
41. Ward off
42. Get by
43. Upper class
44. Vanished
45. Soften
46. Taste or smell
47. Contestant
49. Football throw
51. Sunbeams
53. Sci-fi weapons
57. ____ bomb
61. Flower
63. This second
64. Change
66. Publish
68. Harbinger
69. Singer ____ Clapton
70. Fry lightly
71. Sunset direction
72. Valley
73. Chirp

Down
1. Racetrack animal
2. Honolulu greeting
3. More mature
4. Adam's mate
5. Military rank
6. Stumble
7. Stern
8. Breathable stuff
9. Monogram letter
10. Long-necked bird
11. Mideast bread
12. Shop sign
13. Midterm, e.g.
19. Semester
22. Classified
25. More adjacent
27. Slumbering
29. Part of NATO
31. Except if
32. Spoil
33. Colony insects
34. Understood! (2 wds.)
35. Wise person
36. Bard of ____
37. Chap
39. Authorizes
43. Nonfiction writer
45. Legislated
48. Opera tune
50. Gore and Roker
52. Rot
54. Come afterward
55. Map word
56. Sugary
57. Attest
58. Not wild
59. Native minerals
60. Breath freshener
62. Previously
65. A Gershwin
67. Cutting tool

পাউখুম লমায় ৭ দা

পূক্নিং শৌশিং | বামোন অমুমচা

"কৈদৌনুংদা তোকথোক্কনু"

মালেম শাৎনা ফাওরিবা ইদিসনগী ফেক্তরিশিং ১৯১৪ দা নোংমা খুঙহৌদনা মৈনা তুন্না চাকখিরম্মী। থৌদোক অসিনা মহাক্কী দোল্লর মিল্লিয়ন অনী হেনবগী খূৎশু খূৎলাই মাঙ তাকহনখি। চাউরবা মৈরিশিং অদুনা মপান ফনা মহাক্কী ফেক্তরি অদু চাকথেল্লিঙৈ অদুদা ইদিসনগী মচানা নীংবা কায়না মপা কদায়দা লৈবগে হায়দুনা কোয়য়েং য়েংলম্মী। মহাক্কী অহল ওইরবা মপানা মৈচাক ফনা চাক্লিবা ফেক্তরি অদুগী মনাক্তা লেপ্তুনা লৈবদু উবদা ইদিসনগী মচাগী থম্মোয় কায়রম্মী। ইদিসননা মচাবু উরগা হায়রকই, "নমা কদায়দা লৈ। মহাকপু কৌরকউ। মহাক্কী পুন্সিদা অমুক হন্না উগানি হায়বগী থাজবা লৈত্রবা থৌদোক অসি মমীৎ থিৎনা য়েংজরল্লাও হায়য়ু।" ইদিসনগী নুপীনা মনাক্তা লাক্তুনা চাক্লিবা মৈরি অদু য়েংমীন্নরম্মী।

মথংগী অয়ুক্তা মতৈ মনাও মৈনা তুন্না চাকখ্রবা অতেক-অকায় মরক্তা কোয়না চৎলম্মী। চহী ৬৭ শুরবা ইদিসননা চৎনা চৎনা মহাক্কী নুপীদা হায়রকই, "মাঙ-তাক্লিবা অসিগী মমল য়ান্না য়াম্মী। মসিনা ঐখোয়গী অশোয়বা অরানবা খুদিংমক চাকখ্রবনি। ঈশ্বরবু থাগৎচরি। ঐখোয় হৌজিক ইনৌ নৌনা অমুক হৌগৎপা য়ারগনি।" ইদিসনগী ৱাদু তাবদা মায়থোঙ মকশিল্লবা মহাক্কী নুপীনা মোমোন তৌরগা মহাক্কী মপুরোইবদা য়েংজরম্মী।

ঐখোয়না ৱারী অসিদা তম্বা য়াবা পরা অসি কৈদৌনুংদসু তোকথোক্কনু হায়বসিনি। মায়থিবগী অফবা মায়কৈ উবা ঙম্বা হায়বসি মায় পাকপা অমুক হল্লক্নবগী পাম্বৈনি। ঙসিদি ইদিসনগী মমিং মালেমগী সাইন্টিফিক রিসার্চকী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরে।

"ꯀꯩꯗꯧꯅꯨꯡꯗ ꯇꯣꯛꯊꯣꯛꯀꯅꯨ"

ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯁꯥꯠꯅ ꯐꯥꯎꯔꯤꯕ ꯏꯗꯤꯁꯟꯒꯤ ꯐꯦꯛꯇꯔꯤꯁꯤꯡ ꯱꯹꯱꯴ ꯗ ꯅꯣꯡꯃ ꯈꯨꯡꯍꯧꯗꯅ ꯃꯩꯅ ꯇꯨꯟꯅ ꯆꯥꯛꯈꯤꯔꯝꯃꯤ꯫ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯑꯁꯤꯅ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯗꯣꯜꯂꯔ ꯃꯤꯜꯂꯤꯌꯟ ꯑꯅꯤ ꯍꯦꯟꯕꯒꯤ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯈꯨꯠꯂꯥꯏ ꯃꯥꯡ ꯇꯥꯛꯍꯟꯈꯤ꯫ ꯆꯥꯎꯔꯕ ꯃꯩꯔꯤꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨꯅ ꯃꯄꯥꯟ ꯐꯅ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯐꯦꯛꯇꯔꯤ ꯑꯗꯨ ꯆꯥꯛꯊꯦꯜꯂꯤꯉꯩ ꯑꯗꯨꯗ ꯏꯗꯤꯁꯟꯒꯤ ꯃꯆꯥꯅ ꯅꯤꯡꯕ ꯀꯥꯏꯅ ꯃꯄꯥ ꯀꯗꯥꯏꯗ ꯂꯩꯕꯒꯦ ꯍꯥꯏꯗꯨꯅ ꯀꯣꯌꯌꯦꯡ ꯌꯦꯡꯂꯝꯃꯤ꯫ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯑꯍꯜ ꯑꯣꯏꯔꯕ ꯃꯄꯥꯅ ꯃꯩꯆꯥꯛ ꯐꯅ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕ ꯐꯦꯛꯇꯔꯤ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯅꯥꯛꯇ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅ ꯂꯩꯕꯗꯨ ꯎꯕꯗ ꯏꯗꯤꯁꯟꯒꯤ ꯃꯆꯥꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌ ꯀꯥꯏꯔꯝꯃꯤ꯫ ꯏꯗꯤꯁꯟꯅ ꯃꯆꯥꯕꯨ ꯎꯔꯒ ꯍꯥꯏꯔꯀꯏ, "ꯅꯃꯥ ꯀꯗꯥꯏꯗ ꯂꯩ꯫ ꯃꯍꯥꯛꯄꯨ ꯀꯧꯔꯀꯎ꯫ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯗ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅ ꯎꯒꯅꯤ ꯍꯥꯏꯕꯒꯤ ꯊꯥꯖꯕ ꯂꯩꯇꯔꯕ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯑꯁꯤ ꯃꯃꯤꯠ ꯊꯤꯠꯅ ꯌꯦꯡꯖꯔꯜꯂꯥꯎ ꯍꯥꯏꯌꯨ꯫" ꯏꯗꯤꯁꯟꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤꯅ ꯃꯅꯥꯛꯇ ꯂꯥꯛꯇꯨꯅ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕ ꯃꯩꯔꯤ ꯑꯗꯨ ꯌꯦꯡꯃꯤꯟꯅꯔꯝꯃꯤ꯫

ꯃꯊꯪꯒꯤ ꯑꯌꯨꯛꯇ ꯃꯇꯩ ꯃꯅꯥꯎ ꯃꯩꯅ ꯇꯨꯟꯅ ꯆꯥꯛꯈꯔꯕ ꯑꯇꯦꯛ-ꯑꯀꯥꯏ ꯃꯔꯛꯇ ꯀꯣꯌꯅ ꯆꯠꯂꯝꯃꯤ꯫ ꯆꯍꯤ ꯶꯷ ꯁꯨꯔꯕ ꯏꯗꯤꯁꯟꯅ ꯆꯠꯅ ꯆꯠꯅ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯅꯨꯄꯤꯗ ꯍꯥꯏꯔꯀꯏ, "ꯃꯥꯡ-ꯇꯥꯛꯂꯤꯕ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯃꯜ ꯌꯥꯟꯅ ꯌꯥꯝꯃꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯅ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯑꯁꯣꯌꯕ ꯑꯔꯥꯟꯕ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛ ꯆꯥꯛꯈꯔꯕꯅꯤ꯫ ꯏꯁ꯭ꯕꯔꯕꯨ ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ꯫ ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯏꯅꯧ ꯅꯧꯅ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯧꯒꯠꯄ ꯌꯥꯔꯒꯅꯤ꯫" ꯏꯗꯤꯁꯟꯒꯤ ꯋꯥꯗꯨ ꯇꯥꯕꯗ ꯃꯥꯏꯊꯣꯡ ꯃꯀꯁꯤꯜꯂꯕ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯅꯨꯄꯤꯅ ꯃꯣꯃꯣꯟ ꯇꯧꯔꯒ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯃꯄꯨꯔꯣꯏꯕꯗ ꯌꯦꯡꯖꯔꯝꯃꯤ꯫

ꯑꯩꯈꯣꯌꯅ ꯋꯥꯔꯤ ꯑꯁꯤꯗ ꯇꯝꯕ ꯌꯥꯕ ꯄꯔꯥ ꯑꯁꯤ ꯀꯩꯗꯧꯅꯨꯡꯗꯁꯨ ꯇꯣꯛꯊꯣꯛꯀꯅꯨ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤꯅꯤ꯫ ꯃꯥꯏꯊꯤꯕꯒꯤ ꯑꯐꯕ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯎꯕ ꯉꯝꯕ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤ ꯃꯥꯏ ꯄꯥꯛꯄ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯜꯂꯛꯅꯕꯒꯤ ꯄꯥꯝꯕꯩꯅꯤ꯫ ꯉꯁꯤꯗꯤ ꯏꯗꯤꯁꯟꯒꯤ ꯃꯃꯤꯡ ꯃꯥꯂꯦꯃꯒꯤ ꯁꯥꯏꯟꯇꯤꯐꯤꯛ ꯔꯤꯁꯥꯔꯆꯀꯤ ꯄꯨꯋꯥꯔꯤꯗ ꯁꯅꯥꯒꯤ ꯃꯌꯦꯛ ꯏꯗꯨꯅ ꯂꯩꯍꯧꯔꯦ꯫

ষ্টেট অসিগী ঈথৈ-লৌখোংগী পোলিসিশিং রিভিয়ু তৌবা মথৌ তারে ঃ অকোম লূপ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্না লৌমী মীয়ামগী খন্দুনা ষ্টেট অসিদা চৎনখ্রবা ঈথৈ লৌখোংগী পোলিসিশিং রিভিয়ু তৌদুনা লমদম অসিগা চুনবা মওংদা চঙনহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না ওল ক্লবস, ওর্গনাইজেসন অপূনবা মৈরা পায়বী (অকোম) লূপ, কংলৈপাকনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা লূপ অসিগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা অকোম লূপকী সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন শান্ত মঙাংনা হায়খি, হৌখিবা চহী কয়াদগী ষ্টেট অসিদা লৌউ-শিংউবগী লমদা মহৌশাগী ওইবা অহোংবা কয়া অসি থেংননবা হোৎনবদা সেন্টরগী অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না স্কিম কয়া শেমদুনা লাক্লি। স্কিমশিং অসিগী মনুংদা লৌউ-শিংউবা য়ানবা ঈথৈ লৌখোংগী ওইবা কয়া অমসু য়াওরিবনি। স্কিমশিং অসিগী ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সি ওইরিবা দিপার্টমেন্টশিংনা ঈথৈ লৌখোংগা মরী লৈনবা ফন্দ কয়া অমা শীজিন্নদুনা লৌফম কয়া ঈথৈ লৌখোংগী ঈশিং ফংহন্নবা পান্দম থল্লিবনি।

স্কিমশিংগী ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সি ওইরিবা দিপার্টমেন্টশিংগী মখাদা মেজর নৎত্রগা লাইনর প্রোজেক্ট কয়া কুমজা ১৯৮২-৮৩ দগী চৎনদুনা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমশিং তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংনা লৌফম হেক্তর ৪৮৮১০ ঈথৈ লৌখোংগী ঈশিং ফংহন্নবা পান্দম থমখিবনি। হায়রিবা পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা সেন্টর অমদি ষ্টেটনা মশা মশাগী সেয়ার পুথোক্লদুনা কুমজা ২০১৬-১৭ ফাওবদা লুপা লাক্ষ ১৬২০ গী মনুংদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা পুন্না লুপা লাক্ষ ১০৩৩.৯২ গী শেল্লুং শীজিন্নখি। লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি কৃশি সীঞ্চয়ী যোজনা (পি এম কে এস ৱাই) গী মখাদা কুমজা ২০১৬ দগী ২০১৯ ফাওবদা সেন্ট্রেল এসিষ্টেন্সদা লুপা লাক্ষ ১৭৪.৩৪ অমসুং ষ্টেট সেয়ারদা লুপা লাক্ষ ১৮৬.৮০ রিলিজ তৌদুনা স্কিম অসিগী মখাদা ঈথৈ লৌখোং ফগৎহন্নবা পুন্না লুপা লাক্ষ ৩৬১.১৪ থাদোকখ্রে।

মহাক্না হায়, ইরিগেসনগী প্রোজেক্ট কয়া অমা ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সিশিংনা ইমপ্লিমেন্ট তৌদুনা লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা চহী ২০ রোমগী মমাঙদগী প্লান তৌরক্লবা প্রোজেক্টশিং অসি রিভিয়ু তৌবা তঙাই ফদ্রে। লৈঙাক্না কম্মিসন তৌখ্রবা প্রোজেক্ট কয়া অমগী মনুংদা কম্মিসন তৌরবা শীজিন্নবা য়াদ্রবা প্রোজেক্টশিং অসিদি দি-কম্মিসন তৌনবা অমদি ঈশিং য়োকখৎনবগী এজেন্দাদা তৌ-খবা পুখ্রি অমদি সেন ৱাতর হার্ভেষ্টিং সেন্টর কয়া অসি মথৌ তৌরিব্রা নৎত্রগা তৌদব্রা হায়বসিসু কূপ্না রিভিয়ু তৌবা ঙমগনি।

লোয়ননা লৈঙাক্না ঈকং লাউথোক্লুগা তোঙান তোঙানবা স্কিমগী মখাদা কম্পেন্সেসন খরা ফংবা অদুনা লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহনবা ঙম্লোই। লৈঙাক্না লৌমী মীয়ামগী খনবীদুনা হৌজিক ষ্টেট অসিদা ইমপ্লিমেন্ট তৌরিবা ঈথৈ লৌখোংগা মরী লৈনবা প্রোজেক্টশিং কূপ্না রিভিয়ু তৌদুনা লমদম অসিগা চুনবা মওংদা চৎনহন্নবা শীনবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

EMPLOYMENT NEWS
থবক্কী পাউ

Northern Railway Recruitment 2019

Northern Railway Recruitment 2019-20: Apply Online for 4 Senior Resident Vacancies in Northern Railway Recruitment 2019-20 in New Delhi. New recruitment Jobs 2019-20 notification published for the post Senior Resident in Northern Railway Recruitment 2019-20 read complete details before applying. 11 Vacancies in Northern Railway Notification for the post Senior Resident.

Northern Railway September 2019 Notification Details

Senior Resident	MS/MD, PG Diploma, DNB
Job Location	New Delhi
Total Vacancies	04
Date Added	05/09/2019
Last date to Apply	19/09/2019

……………………………………………

SBI Recruitment 2019

SBI Recruitment 2019-20: Apply Online for 477 Specialist Officers Vacancies in SBI Recruitment 2019-20 Across India. New recruitment Jobs 2019-20 notification published for the post Bank Medical Officer in SBI Recruitment 2019-20 read complete details before applying. 29 Vacancies in SBI Notification for the post Sales Manager, Zonal Sales Manager.

SBI 2019 recruitment notification has been released for Specialist Officers Vacancies; explore all details here and apply on/before 25-09-2019.

SBI September 2019 Notification Details

Specialist Officers	**B.Tech/B.E, MCA, M.Sc**
Job Location	**Across India**
Total Vacancies	**477**
Date Added	**05/09/2019**
Last date to Apply	**25/09/2019**

……………………………………………

Bank Medical Officer vacancy in SBI Recruitment 2019

SBI 2019 recruitment notification has been released for Bank Medical Officer Vacancies; explore all details here and apply on/before 19-09-2019.

SBI August 2019 Notification	**Details**
Bank Medical Officer	**MBBS**
Job Location	**Across India**
Total Vacancies	**56**
Date Added	**27/08/2019**
Last date to Apply	**19/09/2019**

……………………………………………

য়ুমগী লায়য়েং

শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ

চাবা (চিঞ্জাক)

ঙরাংগী মখা ...

চাবা তুমখ্রবা তুমদবা লেমহৌবা শরুক লৈহৌদুনা খোঙ হাম্বা য়াহনগদবনি। মনা অশংবা কোবি, হঙ্গাম, সলাদ, মোনশাওবী, য়েরুম-কৈরুমগুম্বনা মশিং মরাং য়াওদুনা খোঙ হাম্বা য়াহল্লি।

প্রোষ্টেৎ গ্লেন্দ চাউখৎপা ঃ- নিপাদদা নামা লায়নাসি। প্রোষ্টেৎগ্লেন্দ নুপীদা ইউটরস নৎত্রগা ৱুম-গা মান্নবা শক্তম অমনি। নুপীগী ইউটরসতা লৈবা মীগা নিপাগী প্রোষ্টেৎগ্লেন্দ চাওখৎপগা মান্নবনি হায়না চাংদম্নবা য়াই। ব্লাদারগী মখোঙদা লৈবা গ্লেন্দদি। কিডনিদগী ঈশিং ব্লাদার য়ৌনবা লাকইবা ইউরেটার ব্লাদারগী থোকপ্রিবা ইউরেথ্রা অসি প্রোষ্টেৎগ্লেন্দদা শমদুনা চৎলিবনি। প্রোষ্টেৎগ্লেন্দাদ অনাবা ফাওদুনা পোমখৎপা মতমদা ইউরেটারদগী ব্লাদারদা লাকপদা অমসুং ব্লাদারদগী য়ুং থোকখিবদা শাথিনা অনাবা পী। ক্রোনিক অমসুং একুতা য়াম্না নুংঙাইতবা পীবা লায়নানি। অদুবু নীংথিজনা নৌরিঙৈদা ফনবা তৌবিহৌরবদি করিগুম্বা লায়েং য়াওদনা ফজখি। চুম্নগী মতম খরদং নাবদি খোঙ হাম্বা য়াহনবা ঈশিং চৎপদা নুংঙাইতবা পোৎশক অমেৎপা, আচার, মোরোক, চা, শা-ঙা থাদোক্লগা অমসুং ঈশিং য়াম্না থক্লগা ফজখি। অদুগা লিশাং শিংনা নাবদি চহী মীয়াই চল্লকপা মতমদা থোকই। অহল ওইরকপা মতমদা শাথিনা অৱাবা পীখ্রবা, মী কয়া শিনখ্রবা লায়নানি। গ্লেন্দ অসি চাওখৎলকপগা লোয়ননা ঈশিং চৎপা য়াদদুনা অয়াম্বা ঈশিং লৈহৌরগা খরা খরদা চৎপনা লৈহৌরিবা ঈশিং অদু পুমথরকই। অদুগা ব্লাদার অদু ফাক্তোক চাউথোরকই। অদুনা ব্লাদার অদু য়ুং অসি য়ুবগুম চৎপগুম্নদা তৌদুনা লৈ, করিগুম্বা কালদা ক্লট অনী ফাওবা ব্লাদারদা লৈবা থেংনবা য়াওই। য়ুং অদু মনম নমথিরে, পুস্লে ব্লাদার অদুদা অনাবা ফাওরকই। মতম খরগী মতুংদা কিডনি ফাওবা অনাবা ফাওরকই। কিডনি অনীমক য়াওশিল্লক্লবদি ইউরেমীক কোমা হায়বদি য়ুং পুম্বদগী হূ চাইখিদুনা ৱান্থদুনা লৈখিদুনা শিবা তারকই। সেক্সগী ৱারী ৱাতাই শাদুনা সেক্সদা ময়াই কাহনবা থবক্তি পাঙথোক্তবা অদুগা সেক্সকী থবক্তা লোইশিন্দদুনা থোরক্কদবা পোৎশক অদু গ্লেন্দ অসিদা পন্দুনা লৈখিবনা পোমখৎহনবনি। মসিদসু নত্তে গোনোরিয়া মাংবা য়াদবা নহা ওইরিঙৈদা সেক্সকী থবক হেমনবদগী চহী অহল ওইরকপা মতমদা লাকপনি। অদুবু তপ্না তপ্না লাকপনা খঙলকপা মতমদদি য়াম্না শোকচিল্লমই। প্রোষ্টেৎগ্লেন্দগী শরুক অদু পীকশিল খুইজিল্লি। অহানবা খুদমদি য়ুং অসি ইতত্তনা হানবা অদুগা হান্দোরকপা অদু ঙহাক পনবা, হানবা য়াদবা অদুগা অমুক লাকপা অসিনি। অদুনা ঈশিং চৎপদা নাবগুম অদুগা অহিংদা তোয়না হৌগত্তুদনা ঈশিং চৎলি। ঈশিং থিংবসি পূমথিং হেক থিংখিদুনা কেথেটোর থিংজিনবা তারকই। ব্লাদার নারকই, নায় অমসুং হাও, ঈশিং, ঈশিং চৎপদা য়াওরকই। করিগুম্বা মতমদা ঈ য়াওরকই।

থুনমক লায়েংহৌদ্রবদি ব্লাদারনা নাবদু ইউরেটার ফওনা হাইগৎখিদুনা কিডনি য়ৌরকই। মসি খুদোংথিনিঙাই, প্রোষ্টেৎ গ্লেন্দ অসি লোব হায়বদি মশুং অহুম শুই। অহানবদা অমত্তা শোক্লম্বা য়াই সৌজদা খূৎ থিংজিল্লগা য়েংবদা থেংনবা য়াই। অদুবু ব্লাদারলোমদা থংবা লোবতা ওইরবদি কয়ামুক চাওখৎলবগে হায়বা খঙবা ঙমদে।

করিগুম্বা মতমদা ঈশিং চৎপা শুম য়ারক্তবা মরী শুম পীকথরক য়ুং হান্নবা লাক্লবদা শুম ৱানা হোৎনরকপা অহিংদা তোয়না হৌগৎপা মরী মতাং অসি পুমশোক শোক্লকপা য়াওরকই। ব্লাদারগী থোরকপা নাই অদুনা শুম মথক্রোমদা কাকৎখিদুনা কিডনি শোকহনবা অদুগা হকচাং অপুম্বা হূ চাইদুনা অৱাবা তাবা শোয়দবনি।

একুট প্রোষ্টেটিস হায়বসি গোনোরিয়াদগী লাকই অদুগা অতোপ্পা মরম কয়াদগীসু লাকই। হেঞ্জিন্না চোৎপা নিংথমহনবদগীসু লাকই। টি বিদগী নৎত্রগা অতোপ্পা মহিক মতাংগী লায়নাদগীসু লাকই।